# নেশনল গেমস ২০২৫ : আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্সতা ও উমাজিৎ অমসুং অরিহা পাঙম্বম ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচ এন এস):**

উত্তরখন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৩৮লক শুবা নেশনল গেমসকী ওইনা মণিপুরগী জিম্নাষ্ট অনী আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্সকী ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাইদ ওইখ্রে। নুপা জিম্নাষ্ট ও উমাজিৎনা মথংশিংনা পোইন্ট ১৭.২৫ অদুগা নুপী জিম্নাষ্ট অরিহা পাঙম্বমনা পোইন্ট ১৮.১৫ ফংলগা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা ওফিসল অহুম য়াওনা মণিপুরগী জিম্নাষ্ট ১০ নেশনল গেমসকীদমক দেহরাদুনদা থুংখিবগা লোয়ননা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা শরুক য়াবা হৌখিবনি। মণিপুরগী জিম্নাষ্টশিং অসিনা জিম্নাষ্টিক্স ইভেন্ট মঙা হায়বদি মেন্স আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স (এম এ জি), ৱিমেন্স আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স (দব্লিয়ু এ জি), মেন্স এন্দ ৱিমেন্স এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স ইন্দিভিজ্যুএল, মিক্স প্যের অমসুং জিম্নাষ্টিক্স ট্রাইওদা অথোই-অহেন চাংদম্নবদা শরুক য়ারি। টিম অসিদা য়াওরিবা নুপা জিম্নাষ্টশিংদি এস রুবান মৈতৈ, ও উমাজিৎ অমসুং এম রোমেশনি। অদুগা নুপী জিম্নাষ্টশিংনা ও বন্দনা, অরিহা পাঙম্বম, ঐচ জেশিকা, লৈশিলেম্বী সী ঐচ, অঞ্জোরি পি, মালিয়ানী কে অমসুং আর কে থোইথোইলেম্বীনি। এরোবিক জিম্নাষ্টিক্স-মিক্স প্যের, ট্রাইও অমসুং জিম্নাষ্টিক্স গ্রুপকী ওইনা মণিপুরগী টিম ফাইনেল রাউন্দগীদমক হান্নना ক্বালিফাইদ ওইখ্রে হায়না জিম্নাষ্টিক্স কোচ রঞ্জন য়ুম্নামগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হোক্কীগী ওইনা ঙসি ওরিষ্যাগা শান্নখিবা নুপাগী মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুর ওরিষ্যাগী মখূৎতা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা নংহৌরে।

অমরোমদা, ২০লক শুবা নেশনল মাউন্টেন বাইকিং চেম্পিয়নশিপতা মেন ইলিট এক্স সী ও (টাইমট্রায়ল ইভেন্ট)দা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রবা মণিপুরগী মাউন্টেন বাইকর অদোনিশ তাংপুনা হয়েং মেন ইলিট ক্রোস কন্ট্রি এক্স সী টিদা অথোই-অহেন চাংদম্নগদৌরি।

**38th National Games 2025 Medal Tally**

| Rk | State | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | SSCB | 42 | 16 | 13 | 71 |
| 2 | Karnataka | 31 | 13 | 18 | 62 |
| 3 | Maharashtra | 29 | 42 | 47 | 118 |
| 4 | Haryana | 23 | 30 | 30 | 83 |
| 5 | Madhya Pradesh | 20 | 13 | 18 | 51 |
| 6 | Tamil Nadu | 16 | 22 | 22 | 60 |
| 7 | Uttarakhand | 15 | 24 | 28 | 67 |
| **8** | **Manipur** | **12** | **12** | **14** | **38** |
| 9 | Kerala | 12 | 11 | 17 | 40 |
| 10 | Delhi | 11 | 12 | 19 | 42 |

ৱিমেন্স অন্দর-১৫ ৱান দে ট্রোফি

# পি টি আর সী পাৎসোইনা অল অমিন লিলোং অদুগা শেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী মায়থীবা পীখ্রে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯(ঐচ এন এস):**

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা চথরিবা অনীরকশুবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর-১৫ ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পি টি আর সী পাৎসোইনা অল অমিন লিলোং অদুগা শেদো থাংমৈবন্দনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌরগা পি সী সী গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা পি টি আর সী অমসুং অল অমিনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি টি আর সীনা অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা লাইতোঞ্জম পুর্ণিমা অমসুং লাইতোঞ্জম লিম্থোইনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। মখোয় অনীনা হৌগৎলকপদা হৈন-শিংনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। লাইতোঞ্জম পুর্ণিমানা বোল ১৮ মায়োক্লবদা রন ১৬ অদুগা লাইতোঞ্জম লিম্থোইনা বোল ৬৫ মায়োক্লবদা রন ৫৬ লৌরমখি। মখোয়গী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেন লাইতোঞ্জম সিল্কিনা বোল ৪৬ মায়োক্লবদা রন ২১ অদুগা লাইতোঞ্জম বেনিতানা বোল ৪৭ মায়োক্লবদা রন ৫১ লৌদুনা টিমগী রন মশীং য়ামহনবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংলমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা পি টি আর সীগী ৱিকেট ১০ তুরগা রন ২৯৯ লৌবা ঙমখি।

অল অমিননা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা ৱিকেট ৮ খক তুরগা রন ১৯৩দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি টি আর সীনা লাকচনা রন ১০৬তা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা শেদো অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা শেদোনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। শেদোনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২০৯ লৌবা ঙমখি।

অদুগা ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ৮২ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু লাকচনা শেদোনা রন ১২৭তা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

# বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচ এন এস):**

মথং থাগী ২৯ অমসুং ৩০দা ছটিশগরনা য়ূম্বু ওইরগা বিলাস্পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫রক শুবা মেন্স জুনিয়র/মাষ্টর্স/দিবিয়াং বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২৫দা মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙসি অয়ুক এ এম বি বি এনা ট্রায়ল সেলেকশন অমা পাঙথোক্লবা মতুং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অসি খনখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক খনখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি থৌনাওজম অজেম্না মৈতৈ, এস রোহিট, হাওবম অরিয়া, ধনরাজ গুপ্ত, জেক্সন খুম্বোংময়ুম, য়ুম্নাম থোমাস, লৈমজম নোংথাং, রিক্কি হৱাইবম, লাইশ্রম তোম্বীস্না, কে আর্নোল্ড, হৈস্নাম ফ্লন্দ মঙাং, লৈশাংথেম কুমারজিৎনি। ওফিসল ওইনা য়াওগদৌরিবশিংনা কোচতা ৱাই নিলবির অমসুং মেনেজর ওইনা এন রতননি হায়রি।

# সাইনিক স্কুল অমসুং এন ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯ (ঐচ এন এস):**

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা ১৭লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা সাইনিক স্কুল ইম্ফাল ওল্ড বোইজ ফুটবোল ক্লবনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সী অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এন ঈ এস য়ু)না রাহি য়ু সী মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স অমসুং সাইনিক স্কুলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী সাইনিক স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩০ শুবা মিনটতা সাইনিক স্কুলগী সোইবম নোবেলনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সাইনিক স্কুলনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৫২শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সীগী ওইনা পেনাল্টি কাওনবগী খূদোংচাবা অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোয় এস আর কদালি অনালনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-১দা মান্নना লৈখি। মখা তানা শান্নখিবা অদুগী ৭৬ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা সাইনিক স্কুলগী নাওরেম রোশন অমসুং জেটলি বুরা গোহেননা থংন-থংননা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অদুবু য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সীগী ওইনা মেটচ লোইবা ফাওবদা মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু সাইনিক স্কুলনা পাঞ্জল ৩-১দা মায় পাকখিবনি।

নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা এন ঈ এস য়ু অমসুং রাহি য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এন ঈ এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু এন ঈ এস য়ুনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি। এন ঈ এস য়ুগী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অদুগী ২৭ অমসুং অনীশুবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা এম দি মুষ্টোফানা চনখিবনি।

# ফুটবোল টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৯(ঐচ এন এস):**

থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ৮ ফাওবা নেহরু য়ুব কেন্দ্র বিষ্ণুপুর, নেটৱর্ক ওফ ইকোনোমি এন্দ ৱেলফ্যের সর্ভিস কুম্বী অমদি ফুটবোল ক্লব কুম্বীনা খূৎশম্নদুনা টিম ৮না শরুক য়ারগা চথরকখিবা ক্লষ্টর্স স্পোর্টস প্রোগ্রাম ফুটবোল টুর্নামেন্ট ৮ মেন এসাইদ ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবা নুমিৎতা কে এ দি ও কুম্বী অমসুং এফ এফ সী কুম্বীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা কে এ দি ও কুম্বীনা এফ এফ সী কুম্বীবু লাকচনা পাঞ্জল ৯-৩দা মায়থীবা পীদুনা চথরকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা দি আই মোইরাং এম মেঘচন্দ্র, ডা. কে ঐচ শান্তিকুমার অমদি কুমারনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।


**EMPLOYMENT NEWS /**
**VEHICLES LOAN + EXCHANGE AVAILABLE**

# H.Q (Khagempalli) office কী ওইনা Office Asst 2, Gr-IV = 2 nos.
# Samurou Branch কী ওইনা Office Asst. (Graduate + upto 30 yrs), 2/W Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Mechanic Helper 2, Car Driver 2 and Chicken Centre Helper 2.
# 2/3/4 Wheeler Loan অমসুং Used Vehicles Exchange গী Offer পীজরি।

*Please Contact :* **L.G. Motor**
Khagempalli, Imphal
# 9362775475

HL-B/9265/12/1-9/3(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1389**

**C. Eichinger (2085) - Artem Lutsko (2392)**
**4th Bamberg Open 2022 Bamberg GER, 2022.07.29**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 a6 |
| 6.Be3 e5 | 7.Nb3 Be7 | 8.f3 Be6 | 9.Qd2 h5 | 10.Nd5 Nxd5 |
| 11.exd5 Bf5 | 12.Be2 a5 | 13.a4 O-O | 14.O-O Nd7 | 15.f4 exf4 |
| 16.Bxf4 Nf6 | 17.Bb5 Bd7 | 18.c4 Re8 | 19.Rae1 Bxb5 | 20.axb5 Qc7 |
| 21.Qd3 Bf8 | 22.Nd4 g6 | 23.Rxe8 Rxe8 | 24.Bg5 Ng4 | 25.Ne6 Qb6+ |
| 26.c5 dxc5 | 27.Qf3 Ne5 | 28.Qf6 c4+ | 29.Kh1 fxe6 | 30.Qxe5 Bg7 |
| 31.Bf6 Rf8 | 32.dxe6... | | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1388 Solution :**

**34. …Rd1+** The black rook decoys White's king. **35.Kxd1 Nc3+** Double check The black knight forks White's king, rook and knight. The black knight attacks White's king, which is defending White's rook. The black rook attacks White's king, which is defending White's rook.

35...Ne3+Double check 36.Kc1 Rd1#Arabian mate

**36. Kc1 Rd1#** Arabian mate

**0-1**

TATA MOTORS
Connecting Aspirations
TATA

দি পঞ্চ লাইন – ইন্দিয়াগী #1
ইন্দিয়াদা ২০২৪ দা খ্বাইদগী য়ান্না য়োনখিবা কার ~



Book Punch
Punch : অহৌবগী মমল
₹6.19 Lakh
অককুবা মতমগী খূদোংচাবা লুপা ৭৮,০০০++ ফাওবা *T&C apply
দবল ৫-স্তার সেফতি রেতেদ ♦ BHARAT NCAP GLOBAL NCAP
পেট্রোল, সি এন জি অমসুং ইলেক্ত্রিক্তা ফংগনি
Punch.ev : অহৌবগী মমল
₹9.99 Lakh
সেন্তি ২৬.০৩ চাউবা সিনেমেতিক তচস্ক্রিন ইনফোতেনমেন্ত
ভোইস এসিস্তেদ ইলেক্ত্রিক সনরুফ
ৱায়রলেস স্মার্তফোন চার্জর
৩৬০ দিগ্রী কেমেরা+
acti.ev এক্তি-ইভি আর্কিতেকচর
আর্কেদ.ইভি সুত** লোয়ননা ও তি তি, ম্যুজিক অমসুং গেমিং এপ্স

Tiddim Motors: IMPHAL: 7506018579. THOUBAL: 8291140937. MOIRANG: 9619332134.

HL-B/9326/10

For terms and conditions refer to ev.tatamotors.com. Please contact your local dealership for more details. *Only for EVs. ~As per SIAM data. ***Linked with active ZConnect subscription. ♦As per Bharat NCAP 2024 score. ++Offer is inclusive of consumer discount, exchange benefit and green bonus (for EVs only). Offer valid on MY24 models till 28th February 2025 or till stocks last. **Ex showroom Mumbai. *All India ex-showroom price. Terms and conditions apply.
12287868

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com